পি এ সীনা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শাবা লোইরে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস):

গ্রেটর নোইদাদা চিংননীংঙাই ওইবা মওংদা লৈখিদ্রবা প্রবিস চনমগী (পি এ সী) না লমদম অসিগী মীয়ামদা ৱারোল খরা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগা হৌখিবা নবেম্বর ২০দা উনবদা হায়খিবা অমসুং চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটেরিদা অইবা ৱারোল পীশিনখিবা অদুগা মরী লৈনবা ৱাফম খরা পিপল এক্সন কম্মিটি এগেনষ্ট দি ব্রুটেল কিল্লিং ওফ প্রবিস চনম ওফ উরিপোক চনম লৈকায় এট গ্রেটর নোইদা (উত্তর প্রদেশ) না ফোঙদোরক্লি।

পি এ সী অসিগী কনভেনর এল পিসুনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, লৈখিদ্রবা প্রবিস চনমগী কেস অসি যু পি গভর্ণমেন্টনা ইনভেষ্টিগেসন তৌবদা খুদোং চাররোইদবা মরমশিং য়াওবনা সী বি আইদা সমিট তৌখিবা প্রফোমাদা ফোঙদোরকপদা মীহাৎ অসিদা অতোপ্পা ষ্টেটশিং অমসুং মণিপুর ইনভোল্ভ তৌবনা মরম ওইদুনা সী বি আইনা কেস অসি ইনভেষ্টিগেসন তৌবীনবা যু পি গভর্ণমেন্টনা চহী অসিগী জন্যুৱারী ২৯দা থাখ্রে হায়দুনা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা পি এ সীদা খঙহল্লকখিবগা লোয়ননা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা কেস অসি সী বি আইদা শিন্নখ্রে হায়না মিদিয়াদা ফোঙদোকখ্রে। অদুবু চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ২০দা সী বি আইনা কে আই এলদা অইবা চেরোল অমা থারক্তুনা যু পিগী ষ্টেট পুলিস অসি ৱেল ইক্বিপ এন্দ প্রোফেসনেল্লি যুনিট ওইবনা কেস অসি সী বি আইনা ইনভেষ্টিগেসন তৌবদা সুইটেবল ওইদে হায়না অইবা চেরোল অমা থারকখিবগী পাউ অসি খঙবদগী পি এ সী অমসুং ওর্গেনাইজেসনশিংগা মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা অকনবা খোঙজং চঙশিনবা হৌরকপদগী মণিপুর গভর্ণমেন্টনা হৌখিবা নবেম্বর ৬তা কেবিনেট মীফম ফমদুনা কেস অসি সী বি আইদা ইনভেষ্টিগেসন তৌনবা অইবা চেরোল থানবা ৱারেপ অমমুক লৌখি। অদুবু সী বি আইদা অইবা ওইনা থাখিবগী দোক্যুমেন্ট অমসুং ইনফোর্মেসন অমত্তা ফংখিদবদগী হৌখিবা নবেম্বর ১৯দা মৈরা পায়বী লূপশিং, সী এস ও, ষ্টুদেন্ট যুনিয়ন, ক্লবশিং অমদি পি এ সীগী অপূনবা প্রেস কনফরেন্স অমা পাঙথোক্তুনা নবেম্বর ২১দা উরিপোক মায়কৈগী ওইবা টোটেল সটদাউন তৌনবা লাউথোক্লবা মতুংদা হৌখিবা নবেম্বর ২০গী নুংথিল পুং ৬.৩০ রোম তাবদা চীফ মিনিষ্টরনা উননবা হায়রকপদগী মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টরনা নুমিৎ ২০নিদং সী বি আইগী রেসপোন্স ফংনবা হায়রকপদগী অইবা অমসু পি এ সীদা পীরকপনা মরম ওইদুনা পি এ সীনা কৌবা টোটেল সটদাউন অদু নুমিৎ ২০নি কোমথোকখি।

হৌখিবা নবেম্বর ২০দা উনবদা চীফ মিনিষ্টরনা থাজবা পীরকখিবগী মতুং ইন্না এপ্লিকেসন অমা থারক্লবা হায়বদগী লৈখিদ্রবগী অপোকপনা রিপোর্ট অমগা লোয়ননা এপ্লিকেসন থাখ্রে হায়রি।

মণিপুর হ্যুমেন রাইট কম্মিসন্না ঙরাং অহানবা এম আরগী বক্সিট হোলদা পাঙথোকপা ইন্টরনেসনল হ্যুমেন রাইটস দে নুমিৎ অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবদা কনাগুম্বা মীওই অমনা হ্যুমেন রাইট ভাইওলেট তৌবদা চেন্নরিবা মীওই অদু অচৌ অশাং, মীচঙ শঙ্গ য়েংদনা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট অসিনা বুক তৌদনা তোক্লোই হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা মথক্তা চেংনা থল্লবা ৱাফম অসি থবক্তা শোয়দনা ওন্থোরক্কনি হায়না লমদম অসিগী মীয়াম্না থাজবা থল্লি। মণিপুর গভর্ণমেন্টনা নুমিৎ ২০নিগী মতম পীখিবা অদুগা মরী লৈননা লূপ কয়াগী অপূনবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী করিগুম্বা অমত্তা খঙহল্লক্তবনা মরম ওইদুনা পি এ সীনা দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং চঙশিন্দুনা লাকপা অদু ওইরিবা ফীভম অমসুং মীয়ামগী পেন্দবা কয়ানা মরম ওইরগা অনৌবা খোঙজংগী মায়ওন অমা হোংদোক্লবা লেপ্পরে। লোয়ননা অথুবদা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শাবা লোইরে হায়রি।

কলা উটসবতা শরুক য়াগদবশিং লমথাখ্রে

NATIONAL LEVEL
KALA UTSAV 2018, DELHI
MANIPUR TEAM

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস) : নেসনল লেবেল কলা উটসব ২০১৮দা শরুক য়ারুগদবশিংবু ঙসি এদ্যুকেসন মিনিষ্টর থোকচোম রাধেশ্যামনা বাবুপড়াদা লৈবা সর্ব সিক্সা অভিয়ান (এস এস এ) গী ওফিসতগী লমথাখ্রে।

দেল্লিগী বাল ভবন্দা থা অসিগী ১২দা পাঙথোক্কদবা উটসব অসিদা শরুক য়ারুগদবা এন তোমচৌ হায় সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয় ১২ অমসুং মহৈরোয়শিং অদুবু লমজিং-লমতাক্কদবা ওজা ৩গা লোয়ননা লমথাখিবনি। কোলকটাদা পাঙথোকখিবা মহাত্মা গান্ধীগী ১৫০শুবা মপোক নুমিৎকী থৌরমগী ৱান এক্ট প্লে কম্পিটিসন্দা নোর্থ ইষ্টর্ন অমসুং ইষ্টর্ন জোনগী ওইনা মায় পাকখ্রবা *গান্ধী নীংশিংলুবদা* হায়না মীংথোনবা প্লে অসি টিম অসিনা খুদোল তমগনি।

কলা উটসব অদুদা মণিপুরগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারুগদবা মহৈরোয়শিং অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মিনিষ্টর রাধেশ্যামনা হায়খি, মপূং ফানা পূক্নিং ৱাখল চেংনা নীংদুনা কন্না হোৎনবা হায়বা অসিনা মায় পাক্লবগী মীত্রংগুল্লবা ৱাহৈশিংলি। ষ্টেট অসিগী নহাশিংদা লৈরিবা হৈথোই শিংথোইবা অসি অমুক হন্না মপূং ফানা শেমগৎতুনা নহা ওইরিবা মহৈরোয়শিংগী পান্দম অসি ফংনবা হোৎনগদবনি। লমথাবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিং অদুদা মহাক্না য়াইফ পাউজেল পীবগা লোয়ননা কম্পিটিসন অসিদা মায় পাক্লক্লবা পাউজেলসু পীখি।

কলা উসব অসি দিপার্টমেন্ট ওফ স্কুল এদ্যুকেসন এন্দ লিটরেসি, মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগা লোয়ননা পায়খৎপা থবক থৌরম অমনি। মরুওইনা লৈবাক অসিগী স্কুলশিংদা মহৈ তল্লিবা মহৈরোয়শিংগী হৈথোই শিংথোইবা আর্টকী ওইবা কয়া অদু উংথোক্লবা অমদি এদ্যুসন হায়বা আর্ট অসিদা ফঙাৎহন্নবা মখোঙ শেম্বগী থৌওং অমনি। তোঙান তোঙানবা ষ্টেটকী মহৈরোয়শিংনা ভোকেল ম্যুজিক, ইন্সত্রুমেন্টেল ম্যুজিক, দান্স, পেন্টিং অমদি থিএটরনচিংবদা অথোই অহেন তান্নগনি। থৌরম অদুদা দিরেক্টরেট ওফ এদ্যুকেসন (এস) কী দিরেক্টর অমদি মরী লৈনবা ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

শুমাং লীলা ফেষ্টিবেলদা *অরোইবা ৱারেপ* উৎখ্রে

নোমিতা খোংবান্তাবম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস):

মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলনা শীন্দুনা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা থোকচোম ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা পাঙথোকপা নিংথম কুম্মৈ শুমাং লীলা ফেষ্টিবেলগী নীনি চনবা নুমিৎতা লমজিংবা আর্টিষ্ট এসোসিএসনগী *অরোইবা ৱারেপ* হায়না মীংথোনবা লীলা অসি উৎখ্রে।

অরোইবা ৱারেপ হায়না মীংথোনবা লীলা অসি হিদাম ইবোমচানা ইরগা লাই ইবোতোম্বীনা লমজিং লমতাকপনি। লীলা অসিগী ওইবা মপূং ওইবা ৱারীদি, থাম্নানা থৱায়মক্লি খন্না নুংশিজবা লমঙানবনা লৈরিঙৈদা থাম্নাবু পামজবা তোমথিননা লৌনম তৌদুনা লৌখি। মতুংদা থাম্না মচানুপী অনীগী মমা ওইবা ফংজখি। নুংশিনবা ৱাইথুংনখিদবগী মলোমনা য়েক্লবা শেমগৎপা হায়বদু ওইরকখি। অদুবু য়েক্লবা অনীগী মচা মচাশিংগী মরক্তদি নুংশিনবগী অচেৎপা মরী লৈরকপদগী মপা-মপানা য়েক্লবা ওইনা লৈনখ্রবসু নুংশিবগী পলনা পূম্নমক নমখাইদুনা অরোইবা ৱারেপ ওইখিবা লীলানি।

লীলাগী খোঙজেল অসি তপ্না তপ্না লাকপা অসিনা লীলাগী খোঙচৎ অমদি খোঙথাংদা তপথনা শান্নবা হায়বদু ওইরকই। লীলা অসিদা শরুক য়ারিবা মীওইশিংগী খোঞ্জেল মীয়ামদা মপূং ফানা তাহনবা ঙল্লক্তবা মতাং য়াওরকপনা দাইলোগতা মীয়াম্না ময়েক শেংনা লৌশিনবা ঙল্লক্তবগুম অয়েংবশিংনা খরমখৈ পেনফাত্তবা লৈখিব্রা হায়না খল্লি। লীলাগী খোঙজেল অহানবদা তপ্না চৎলুরবসু তপ্না তপ্না খোঙজেল য়াঙখৎলক্তুনা অয়েংবা মীওইশিংগী পূক্লিংবুদি ফাজিন্দুনা থমখি। অয়েংবশিংগী থম্মোয়বু হুদুনা পুবা ঙমখিবগা লোয়ননা অয়েংবশিংগী মীৎলুদা পিরাং ঈহৌহন্দুনা মশক থোকপা লীলা অমদি ওইখি। লীলা অসি কপ্পা অমসুং নোকপা অনীগী লংদাইদা লিপুন ওইদুনা মায় পাক্লা চৎখিব্রা হায়না খল্লি।

লীলা অসিগী নুপাগী শক্তম লাংখিবশিংনা তোমথিনগী শক্তমদা লাই ইবোতোম্বী, থোইবগী শক্তমদা বসন লুকোক, য়াইঙম্বগী শক্তমদা পুরনানন্দা, ভেনসকী শক্তমদা লমঙানবা, লোয়াঙম্বগী শক্তমদা কেন মোইরাং অমসুং হেনবগী শক্তমদা কান্তা খুরাইনি। নুপীগী শক্তমদা থাম্নাগী শক্তমদা এল বোই, নুংওনবিগী শক্তমদা এল রোসন অমসুং লাংলেনগী শক্তমদা অরাপি শুরেন্দ্রোনি। ঈশৈ নোংমাইগী নুপাগী খোঞ্জেলদা হেরোজিৎ, নুপীগী খোঞ্জেলদা নবকান্তা, পেদ দ্রম-কিং, গিটর- লোকেন্দ্রো, বাঁসি - বোর্দিন, টবলা- রাজু, কি বোর্দ - আর কেনি। লোয়ননা লীলা অসিগী প্রদ্যুসরনা এল বোয়নি। থা অসিগী ১২দা টাইম ষ্টার আর্টিষ্ট যুনিয়নগী *ঈতিলফম* উৎকনি।

মীয়াম্না শাশিন্নবা মাইক্রো ফাইনান্সশিংদগী চেকশিন্না লৈবীয়ু : মাফ্রো

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস):

লমদম অসিগী শেন্মীৎলোন ফগৎনবা হোৎনবদা মাইক্রো ফাইনান্স-শিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরিঙৈ চৈরক অসিদা মীংচৎ থীহন্নবা মীওই খরনা শাশিন্নবা মাইক্রো ফাইনান্সশিংনা লোন পীগনি হায়বগী মীংদা মীওই ১০০ হেনবদগী শেনফম কয়া খোমগৎলবা মতুংদা লোৎখিবগী ৱাকৎ লাক্লিবা অসি মতুংদা অমুক থোক্তনবা মীয়াম্না চেকশিন্না লৈবীয়ু হায়না মণিপুর ফ্রেন্দসিপ ওর্গেনাইজেসন (মাফ্রো) না ফোঙদোরক্লি।

বাবুপড়াদা লৈবা মাফ্রোগী ওফিসতা ঙসি নুংথিল ওর্গেনাইজেসন অসিগী সেক্রেটরি অকাস ক্ষেত্রিগা পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না মখা তানা হায়খি, শিংজমৈগী ককৱা লমদাইবুংদগী জিনা কৌবী চহী ৪৫ মুক্কী লোঙ্গা ওইবী নুপী অসিনা মহাক্কী মমিং অসি বিনা কৌই হায়না হায়জিল্লগা মাইক্রো ফাইনান্স অনী মণিপুর ফাইনান্স সার্ভিস অমসুং চীংমৈ ফাইনান্স হায়না মীংথোন্দুনা মীওই ১০০মুক্তগী লোন পীগনি হায়দুনা লুপা লিশীং অমমমগী শেনফম খোমগৎলগা থিবা খঙদনা লোৎতুনা লৈখ্রে হায়বা ৱাকৎ মাফ্রোদা লাকপদগী থিগৎলুবা মতুংদা বিনা হায়রিবী নুপী অসিগী অশেংবা মমিং জিনা কৌরম্মী। নুপী অসি মাফ্রোনা থিরুবদা ফংবা ঙমদ্রে।

মাইক্রো ফাইনান্স অসিদা লুপা লিশীং অমমমগী শেনফম পীশিনখিবা মীওইশিংনা মাফ্রোদা ফোঙদোরকপদা মণিপুর ফাইনান্স সার্ভিসকী ওফিস অসি ন্যু কৈথেলমানবীদা লৈ। অদুগা চীংমৈ ফাইনান্সকীনা ককৱাদা লৈ অদুগা মণিপুর ফাইনান্স সার্ভিসকী মেনেজর অসি থাংমৈবন্দ সিনাম লৈকায়দা লৈবা অশোক কৌবা অমনা ওই হায়খি।

জিনা হায়রিবী নুপী অসিনা মীওই ২০/৩০না গ্রুপশিং শেমহন্দুনা মীওই অমমমনা লুপা লিশীং অমমম খায়রগা লোন ওইনা লুপা লাক্ষ অমমম পীগনি হায়না মীওই ১০০ হেনবদগী লুপা লিশীং অমমমগী শেনফম খোমগৎখ্রে। হায়রিবা থৌওং অসিনা চুম্না থবক তৌরিবা মাইক্রো ফাইনান্সশিংগী মীংচৎ থীহনবদা নত্তনা মীয়াম্না মাইক্রো ফাইনান্সতা থল্লিবা থাজবা অসি মাঙহল্লে। মরম অসিনা মাফ্রোনা কুপ্না হীরম অসিগী মতাংদা থিজিনগনি। মরী লৈনবশিংনসু মীৎয়েং চঙবীয়ু। লোয়ননা মীয়াম্নসু শাশিন্নবা মাইক্রো ফাইনান্সশিংদগী চেকশিন্না লৈবিয়ু হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

গভর্ণমেন্ট স্কুলগী স্কিমশিং হেদ মাষ্টরশিংনা লন্নাই ওইনা শীজিন্নবা থেংনরে : ইয়াক

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস):

ইন্দিজিনস য়ুথস এসোসিএসন ওফ কংলৈপাক (ইয়াক) না তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদা লেপ্তুনা চঙশিল্লকপগী শরুক অমা ওইনা খুন্নাই অসিদা শোথদুনা লাক্লিবা এদ্যুকেসন সিষ্টেম্বু অহোংবা পুরক্লবা কন্না হোৎনরিঙৈ চৈরক অসিদা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট জেদ ঈ ওগী মনুং চন্না লৈবা লাংমৈদোং প্রাইমারি স্কুলগী ওইফম থোকপা মশক মওং অমত্তা লৈরমদ্রে হায়রি।

ইয়াক্কী জোইন্ট সেক্রেটরি সুরেন্দ্রো মঙাংনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, গভর্ণমেন্টনা খুন্নাই অসিগী হেন্না য়াইফনবা ফ্রী এন্দ কম্পলসরি এদ্যুকেসন পীদুনা মখল মখা কয়াগী স্কিমশিং থাদদুনা হোৎনরবসু অদুগুম্বা স্কিমশিং অদুবু থবক্তা ওন্থোক্কদবা ওজাশিংনা মথৌ নীংথিনা পাঙথোক্তবা মরম্না মীয়াম্না গভর্ণমেন্ট স্কুলদা থল্লম্বা থাজবা মাঙলিবনি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা লাংমৈদোং প্রাইমারি স্কুলগী হেদ মাষ্টরনা মহাক্কী খুৎচাবী এস এম সী শেমদুনা স্কুল অসিদালাকপা স্কিম খুদিংমক এস এম সীগী রিজোলুসন বুক্তা অমত্তা তাহন্দনা মশাগী লন্নাই ইন্টরেষ্টতা শীজিন্নদুনা লৈরম্লে হায়না মরাল শিরক্লি।

মসিদসু নত্তনা লৈরিবা ওজাশিংনা স্কুল লাক্লিংবা মতমদা লাকপা, লোয়ননা স্কুল লাকপা নুমিত্তা স্কুল লাকহৌদবা নুমিৎশিংগী খুৎয়েক পীহনবগী অয়াবসু হেদ মাষ্টরনা পীরম্লে হায়না মরাল শিরক্লি।

অসিগুম্বা ওজাশিং অসিগী থৌওংনা স্কুল অদুদা মহৈ তম্বা লাক্লিবা মহৈরোয়শিংদা চাউনা নমথাক তৌবিরি। মরম অদুনা ওজাশিংগী মথক্তা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চঙবীদুনা শোথরক্লিবা খুন্নাই অসি কনমিন্নসি হায়রি।

মালেমগী চাওখৎ লমজেলদা এদ্যুকেসন হায়বসি তঙাইফদবা মচাক অমা ওইরি। মরক অসিদা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা গভর্ণমেন্ট স্কুলশিংনা মথৌ নিংথিনা তৌরক্তবগী খুদোংচাবা লৌদুনা চহী খরগী মমাঙদগী লেপ্পা লৈতনা মণিপুরগী মফম কয়াদা প্রাইভেট স্কুলশিংগী মশীং হেনগৎলক্লিবনি। মসিদা লুরিবদি খুন্নাই অসিগী শেন্মীৎলোনগা প্রাইভেট স্কুলশিংগী ফী ষ্ট্রকচরগা অদুক্কী মতিক খেন্নরিবা অসিনি। অসুম্না হীরম কয়াদা শোথদুনা লৈরিঙৈ চৈরক চাওখৎ লমজেলগী হিদান্নরিবা অসিদা মমা মপা ওইবশিংনা মচাশিংবু মীথোই মীহেনবা মীওই অমমম ওইহন্নবগী পান্দমদা অৱা মায়োক্লদুনা মচাশিংবু প্রাইভেট স্কুলদা থানবা হোৎনরক্লি।

মমা মপা ওইবশিংনা মচাশিংবু ফ্রিদা তাকপী তম্বীরিবা গভর্ণমেন্ট স্কুলশিংদা থাবগী মহুত্তা লৈত্রবসু লৈতনা প্রাইভেট স্কুলদা থারক্লিবা অসিনা ময়েক শেংনা তাক্লিবদি ষ্টেট অসিদা গভর্ণমেন্ট স্কুলশিংনা করম্না মথৌ তৌরিবগে হায়বসিনি। হীরম অসিদা ইয়াকনা মীৎয়েং চঙদুনা শোথরবা খুন্নাই অসিগী য়াইফনবগীদমক পাঙথোরক্লিবা থবক থৌরম কয়া অসিদা মীয়াম্না তেংবাঙবীয়ু অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিনসু মতেং পাংবিয়ু। লোয়ননা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

কাঙলোন লান্না তৌরিবা স্কুলশিংদা মখা তানা ইয়াকনা মীৎয়েং থল্লকখিগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

খৃষ্টমাস মমাঙদা বন্দ, ব্লোকেদ তৌবীগনু

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস):

খৃষ্টান লাইনীং চৎপা মীওইশিংগী য়েংবীরগা খৃষ্টমাস কুমৈগী মাঙওইননা অমসুং কুম্মৈ অসিগী য়েংবীরগা কুম্মৈ অসিগী মনুংদা সিভিল সোসাইটি ওর্গেনাইজেসন নৎত্রগা কনাগুম্বা লূপ অমত্তনা বন্দ, ব্লোকেদ অমদি জেনরেল ষ্ট্রাইক্লচিংবা হায়রিবা মতম অসিদা তৌবীগনু হায়না যুনিভর্সেল মার্ষ্টরস এসোসিএসন (যু এম ও) না ফোঙদোরক্লি।

বেহটার ভারত কেম্পেন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস): নেসনল ষ্টুদেন্টস যুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া (এন এস যু আই) না শীন্দুনা *বেহটার ভারত* হায়বা কেম্পেন অমা থা অসিগী মথংগী চয়োলদগী হৌনা পাঙথোক্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

বি টি রোদতা লৈবা কোংগ্রেস ভবনগী এন এস যু আইগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা মহৈরোয় যুনিয়ন অসিগী প্রসিদেন্ট পি বঙ্কিমচন্দ্রনা মখা তানা হায়খি, *বেহটার ভারত* হায়বা কেম্পেন অসি ৱি আর দি ফ্যুচর ওফ ইন্দিয়া হায়বা পান্দমদা নেসন অসিগী থাক্তা পাঙথোক্কদবা কেম্পেননি। কেম্পেন অসি পোলিটিকেলগা মরী লৈনবা নত্তে। মহৈরোয়শিংনা মখল কয়াগী খুদোংচাদবা থেংনরিবশিং অসি খঙমিন্নবা অমদি মসিদা মতেং পাংবা ঙম্নবা হোৎনবনি।

এন এস যু আইগী ঈমেল অমসু হাংগনি। মসিদা খুদোংচাদবা লৈরিবশিং অদু হায়বীরকউ অমদি মদু য়েংশিন্নবা হোৎনগনি। ইস্যু খুদিংমক নেসনল এজেন্দাদা ওইনা থেংনমিন্ননবনি। মরমদি মহৈরোয়শিংগী অৱাবা খুদোংচাদবা ময়াম অসি মরী লৈনবা ওথোরিটিদা মতম চানা পাউ পীবা নৎত্রগা পীরবসু তাবীদবা কয়া অসিগী য়েংলগা পাঙথোক্কদবা কেম্পেন অমনি। দিসক্রিমিনেসন ফ্রী এনভাইরনমেন্ট হায়বা অসিদা থবক ওইনা পায়খৎপা ঙম্নবা হোৎনবনি।

মহৈরোয়শিং অয়াম্বা ক্লাস টুয়েল্ভ ফাওবা ফজনা তল্লবসু গ্রেজুয়েট য়ৌদবা ময়াম অমা লৈরে। মসিদা ক্লাস টুয়েল্ভ লোইরগা করিগী থবক তৌনীংলিবনো হায়বা ৱাহং অমসু লাক্লি। অসিগুম্বা ফীভম অসি ফীগী মমল ৱাংবদগীরা নৎত্রগা লায়রবা ওইবদগী তম্বা ঙমদ্রিব্রা হায়বসিসু খন্নমিন্নরগনি। রুরেল অমসুং অর্বান এদ্যুকেসন্দা করিগী অহোবা লৈরল্লিবনো হায়বদু মনুং মপান ফাওনা উহন্দুনা লৈহন্নবা হোৎনবনি। মহৈরোয়শিংগী রাইট পুরকপা ঙম্নবা হোৎনবনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

TOPPERS of 2017
1st Position Priyanka M.
3rd Position Rozaria Th.
4th Position Khushi Kh.
6th Position Michoal A.
8th Position Bideli Devi
9th Position Md. Swadique
9th Position Robinson Kh.
9th Position Russel Ch.
13th Position Th. Yaiphabi
14th Position Siddhant W.
15th Position Neelima N.
17th Position Krishnand L.
20th Position K. Hennae
21st Position M. Thoibisana
21st Position Tina Th.
21st Position R.K. Kebisana
22nd Position Guigaingam K.
23rd Position Ng. Babyka
23rd Position Meghila T.
TOPPERS of 2018
1st Position Yaiphabi M.
2nd Position Patel Lairenjam
4th Position Malemnganbi
4th Position Lydia Thokchom
5th Position Delina Soubam
5th Position Ronniey W.
7th Position Anjali Konjengbam
10th Position M. Pinky
10th Position Memthoi L.
11th Position Rajyashori Limbu
12th Position Advance N.
13th Position Oletina Thangjam
15th Position Varina Toijam
16th Position Lanchenbi L.
18th Position Sangita Yumnam
20th Position Th. James
20th Position Haoam Eerik
21st Position Ch. Melodie
22nd Position Dhanika A.
22nd Position H. Vishal Singh
23th Position Lelina Laishram
23th Position N. Robikanta
99 in MAN AK Toshiba

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN-Class -X Revision Starts: 6th Dec. 2018
Foundation course Class 3 to10 Starts on 20 Dec., 18
LIMITED SEAT
Form Available for Mock Test 2019

Date	Subject
10/1/19	English
14/1/19	Maths
16/1/19	S.Sc.
19/1/19	Addl.Sub
22/1/19	Science
24/1/19	MIL

BOARDING FOR BOYS & GIRLS
7628946313 - 9402897710 - 8732022342
VAN AVAILABLE
HL-B/5032/27/11-27/12

‘মীহাৎ লৈঙাক লোইখ্রগা নম্ফু লৈঙাক লাক্লে’

(হান্নগী মখা...)

মীয়ামদা ওৎ নৈরকপা মতমদা কোংগ্রেস নৎত্রগা বি জে পি ওইবা য়াই মখোয়গী মায়োক্তা মীয়ামগীদমক মাওইষ্টনা লেপ্পা হায়বসি রেভল্যুসনরি ওইবা লৌফম থোকপা থৌদাংনি। থৌদাং অসি লৌবদা লূপ অসিনা চাওথোকচবা ফাওই অমদি মীয়ামগীদমক কৈদৌনুংদা তুমিন্না লৈরোই হায়বা অচুম্বা ৱারেপ অসিদগী খোঙফম অমা ফাওবা হোংলোই। মায়থিবা অমসুং মায় পাকপা হায়বদুদি লান্থেংনরবা মতুংদা খঙগনি। মায়থিখিবদসু নীংহন্নবা লৈরোই অদুগা মায় পাক্লগসু মদু মীয়ামগী মায় পাকপনি হায়না লৌগনি। মরম অদুনা ঙসিগী চিরবা খুন্নাইগী তাঙ্কক্তা তুমিন্না লৈশিনবগী মহুত্তা খোঞ্জেল থোক্লা থৌদাং লৌরিবা জর্নেলিষ্ট, একাদেমিসিয়ন, প্রেসর গ্রুপশিং, এক্তিভিষ্টশিং, আর্টিষ্ট অমদি য়াওল লূপ খুদিংমকপু মাওইষ্টিনা ইকাই খুম্নবা অমদি থাগৎপা ফোঙদোক্লি। হৌজিক্তি লৈরিবা জর্নেলিষ্ট, একাদেমিসিয়ন, প্রেসর গ্রুপ, এক্তিভিষ্ট অমদি য়াওল লূপশিং অসি কনা কনানা মশাগী ওইজবা থিবনো, করম করম্বনা পোলিটিকেল এফিলিএসন লৈবনো অদুগা কনা কনানা অশেংবা অচুম্বা পাম্বা রেভল্যুসনরিশিংনো হায়বদু মীয়াম্না ময়েক শেংনা খঙলে। মরম অদুনা মণিপুরদা অথুবদা চাওনা অহোংবা অমদি শোয়দনা লাক্লগনি। অহোংবা অসি লাক্লবগীদমক লূপ অসিনা হীরম খুদিংমক্তা থৌদাং লৌবগা লোয়ননা মীয়ামদা অনৌবা থাজবগী মঙাল অমা খুদোল তমগনি হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুর মীয়াম্না অচুম্বা অসি ময়েক শেংনা খঙবা মরম্না তুমিন্না লৈরিবা কাঙলুপশিং অসিদগী মীয়াম্না নোংম-নোংমগী তপ্ন-তপ্না লাপথোক্লক্লি হায়বসিসু অচুম্বা ওইরক্লি। নাকল অমরোমদা দিসেম্বর ১৬ কী অহিং নোংয়াইদগী হৌরগা দিসেম্বর ১৮ ফাওবা টোটেল সটদাওন চথনবা পিপল ৱার গ্রুপ (মার্ক্সিষ্ট সেন্তর) কে সী পিনা লৌরক্লিবা ফিরেপ লূপ অসিনা তরাম্না ওক্লি। নুমিৎ অসিমক্তদা মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরনসু ঙসিগী নম্ফু লৈঙাক অসিগী মায়োক্তা জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌরিবনি। মরম অদুনা তোঙান তোঙানবা দিমান্দদা তোঙান তোঙানবা লূপ অনীনা চপ মান্নবা পুংফমদা কৌরিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি শোইদনা মায় পাক্কনি। লূপ অনীনা কৌরিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিদা মণিপুর মীয়াম্নসু মপুং ফানা শৌগৎপিয়ু। করিগুম্বদা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিবু শিংনরকপদগী থোক্লকপা পামদবা থৌদোক খুদিংমক্কী তেকচাক অদু মশা মশানা পুজগদবনি। মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি মণিপুরনা চথগদৌরিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসিগীদমক শেম শাবা খুদিংমক লোইরে হায়রি।

অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপনা থিজিনবা হৌরগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১১ (ঐচ এন এস):

অপূনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লূপ (এ এম ঐচ এল এল) গী মীফম অমা থা অসিগী ৯গী অয়ূকপুং ১১ তাবদা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোক্তুনা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে হায়রি।

এ এম ঐচ এল এলগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরি ওক্রম ৱাঙম্বা মীতৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, য়েলহৌঙৈদগী শাগোন্নদুনা লাক্লবা লমদমসিগী থাঙ-তা হায়রিবা মহৈ অসিবু এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টনা শকখঙবীদুনা কুমজা ২০১৮-১৯দগী শিন্তাকপা হাপ্পীগদৌরিবা অসি লূপনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

থাঙ-তাগী মহৈ অসি মণিপুরগী ৱাংমদা মালেমগী থাক্তা শন্দোক্লিবনি হায়দুনা কনাগুম্বা খরনা ললোন পোৎকুম্না খোঙ্গাওনরকপা অসিনা অতোপ্পা ষ্টেটনা থাঙ-তা অসি মখোয়গী ওইবা মীংদা স্কে ওন্থোক্তুনা য়েলহৌঙৈগী আর্ট অমনি হায়না ইন্দিয়ন ওলিম্পিক এসোসিএসন্দা রেজিষ্টর তৌনবা শেম শাবা লোইখ্রে হায়বসি লাইবক থীবনি। থৌওং অসি মীতৈ খুন্নাইবু মুথুৎনবা শিনবনি। মসিগী হৌরকফম ইন্টরনেসনল থাঙ-তাগী মশান্না পুথোক্লিবা হৈথোই শিংথোইবশিংনি হায়না ফোঙদোকচবা মীওইশিং অদুগী অশোয়বনি হায়না মরাল শিরক্লি। হীরম অসিগী মতাংদা অপূনবা লূপকী মায়কৈদগী সী এস ওশিংগী মতেংগা লোয়ননা থিজিনবা হৌরগনি হায়রি।

EXCELLENT CONSUMER CARE PVT. LTD.
WE ARE ONE OF INDIA'S TOP MANUFACTURER & MARKETER OF HOME CARE PRODUCTS
➢ DETERGENT POWDER
➢ DISH WASH BAR
➢ GLASS CLEANER
➢ TOILET CLEANER
➢ HAND WASH
➢ DISH WASH GEL
➢ FLOOR CLEANER
➢ ROOM FRESHNER
WE REQUIRED
DISTRIBUTOR / WHOLESELLER / RETAILER IN MANIPUR MANY DISTRICT CITIES
SALES CANDIDATE REQUIRED (DISTRICT CITY WISE IN MANIPUR) :-
SALES OFFICER : Salaries : ₹ 15,000 to ₹ 20,000 + TA + DA
SALES REPRESENTATIVE : Salaries : ₹ 10,000 to ₹ 15,000 + TA + DA
EXCELLENT CONSUMER CARE PVT. LTD.
HEAD OFFICE : LUCKNOW, UP, INDIA, BRANCH OFFICE : BISHNUPUR, MANIPUR
WEBSITE : WWW.EXCELLENTCONSUMER.CO.IN
CONTACT : +91 -7005812851
HL-P/2721/9-16 Dec.

ADMISSION OPEN
ENGLISH COACHING
For
➢ SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
➢ RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]
At
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764
HL-B/4970/13/11-9/12